# "ঐগী সিঙ্গাপোর খোঙচৎ"

— সোরোখাইবম ইমোচা —

ইয়াম্বা অহলনা পোকপী ইচানুপী অতোনবী মপাল লমদা ওংবীদু মাগী নুপাদু সিঙ্গাপোরদা থবক তৌদুনা লৈবনা মাসু সিঙ্গাপোরদা লৈ। মখোয় ওগষ্ট ১৮, ২০২২দা সিঙ্গাপোর থাদোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎলগনি হায়রকপদগী খরা নকপা সিঙ্গাপোরদা লৈরিঙৈদা উন্নহৌরুসি হায়দুনা ইয়াম্বা অহল অমদি ইতৈমগা ঐখোয় অহুম জুলাই ৪দা টিকেট ককউবনি। অদুবু লাইবক থীবা হায়বা তাই ইয়াম্বা অহলদু শোয়দুনা মখোঙদা ঈশিং অশাবা হৈজিন্দুনা খোঙচৎ অদু য়ৈথোকপা তাখি। খোঙদু খরা ফরল্লগা ফ্লাইট অমুক রিসেদ্যুল তৌদুনা জুলাই ২৫দা সিঙ্গাপোরগীদমক খোঙশানখি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা সিক্যুরিটি চঙবদা ইয়াম্বগী সনাগী লিক্তু বেগতা হাপ্পগা এক্সরে থাজিনখিবদু থোরকপদা য়াওরক্তদুনা ঙাইহাক মথা শানখি। অদুবু কোন্না সিক্যুরিটি নুপীমচা অমনা ঐখোয়দা কুপ্না হংলবা মতুংদা পুথোরকখি। কোলকটাদা নুংথিল পুং ৪.৫০দা থুংলগা নুমিদাংগী পুং ৯.৩০দা কোলকটা থাদোক্লগা মথংগী অয়ূক্তা পুং ৪.৩০ (সিঙ্গাপোরগী মতম) দা সিঙ্গাপোরদা থুংখি (পুং ২.০০ ইন্দিয়া)। সিঙ্গাপোরগা ইন্দিয়াগা পুং ২.৩০ খেন্নে, মখোয়না হাল্লি। ইচানুপীগা ইমাকনুপাগনা চংগী এয়রপোর্টতা ওক্লমদুনা গ্রীন টি অমমম থক্লগা ঐখোয়না লৈগদবা সুলটান রোদতা লৈবা হোটেল বোসতা চৎখি। হোটেলসি ফ্লোর ১৯ লৈ অদুগা ফ্লোর অমমমদা কা ১০০ লৈ। ঐখোয়না লৈবা কাদু য়াম্না চাউবা কাদি নত্তে অদুবু নোংমদা লুপা ১১,০০০ রোমনি, ব্রেকফাষ্টনা মী অমদা লুপা ৬০০নি। থুংবা নুমিত্তু নুমিদাংৱাইরম ইচানুপী অমদি ইমাকনুপাগা ঐগা মসজিদ সুলটান লোমদা খোঙনা কোইথোক্লুরগা হোটেলদা চাক চারগা ইয়াম্বা অমদি ইতৈমগী সুপনচিংবা লৈরগা হল্লকখি। তাং ২৭কী অয়ূক্তু মপান্দা ঙহাক থোক্লুরগা কা মনুংদা মতম লেনখি। মরমদি ইচানুপীসু ইমাকনুপাসু থবক লোইনা তৌবনিনা মখোয়গী ছুটি থারবা মতুংদা কোইবা নত্তনা পাম্বে লৈতে। ঐখোয়গা কোইননবা নুমিৎ খরদি হান্না ছুটি লৌরবনি মখোয়সু। নুমিদাংৱাইরম মখোয় লাক্লগা পূন্না ঐখোয় মঙা মেরলিওন পার্কতা "মেরলিওন" য়েংলুই। মেরলিওন অসি সিঙ্গাপোরগী ওফিসল মেস্কোট (অফবা পুরক্কদবা পোৎ) নি। মসি মকোকনা নোংশা ওইবা অদুগা মশানা ঙা ওইবনি। 'মের' হায়বদি 'সমুদ্র' অদুগা 'লাইওন' না নোংশা হায়বদুনি। মুর্ত্তি অসি মিটর ৮.৬ ৱাংই অদুগা টন ৭০ লূম্মী। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদু লমকোয়বা লাকপা মীনা পুমচিন চিল্লি, ঐখোয়সু মীরক্তুদা চঙশিল্লগা ফোটো নল্লকখি।



জিৱেলদা ইয়াম্বা অমদি ইতৈমগা লোইননা

মথংগী অয়ূক্তা খোঙনা ইথন্তা ঙহাক চৎলুই। গাড়ী অমত্তা লাক্তে হায়দুনা খোঙনা লানবগী গ্রীন সিগনেলদু ঙাইদনা ঐদি সরক্তু লাম্থোকলুই অদুবু মী অতৈদি ঙাইদুনা অদুম লৈনখি। ঐসু হল্লকপদদি গ্রীন সিগনেল ঙাইরগা সরক লাল্লকখি। হোটেলগী জিমখানাদা যোগ শান্নবা য়াবা মেট অনীখক লৈরমদুনা কাচিন অমদা চঙশিল্লগা যোগ শান্নরুই। লোইরগা স্বিমিং পুলদা ইরোইরগা কাদা কারকখি। হোটেলগী লিফ্‌ট সিষ্টমসি কুম্বদদি অদুম কুম্বা য়াই অদুবু কাখৎপদদি কাগী কার্দতুনা সৱাইপ তৌদ্রবদি কাবা য়াদে, য়াম্না ফজবা মেকানিজমনি। অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট চারগা ইচানুপী লাক্লগা ঐখোয় মরি চংগী এয়রপোর্টকী 'জিৱেল' দা চৎখি।

চংগী এয়রপোর্টসি মালেমগী খ্বাইদগী ফবা এয়রপোর্টশিংগী মনুংদা অমনি হায়নৈ। এয়রপোর্টসি ২০১৩দগী ২০২০ ফাওবা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা এয়রপোর্টকী মিংথোল ফংখি। মসিদা লৈরিবা ইন্দোর ৱাটরফোলসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা (মথোল তরেৎ) ৱাটরফোলনি। নুমিদাংৱাইরম ইমাকনুপা য়াওরগা 'গার্দনস বাই দ বে' দা চৎখি। মফম অদুদা "লাইট এন্দ সাউন্দ" শো য়েংখি। শো অসি নুংতিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.৪৫ অমদি ৮.৪৫দা উৎলি অদুগা মসিগী অয়েংমল লৌদে। মীওই চা কয়ানা অশাবা উশিং অদুগী মখাদা লোং লোংনা হিপ্তুনা শো অদু য়েংনৈ, ফোটো নম্নে। ঐখোয়গীসু কংলাদা লাইট এন্দ সাউন্দ শো তৌগনি হায়না শেম শাবা লোইরে হায়দুনা চহী ২-৩গী মমাঙদা তাখিবনি অদুবু অদুম তাখিদ্রে, কমদৌখ্রবনো খঙদরে। মদুদগী থোরল্লগা 'কেনন বোল' য়েংলগা মেরিনা বে সেন্দস 'কেসিনো' দা চঙখি। মসি সিঙ্গাপোরগী খ্বাইদগী চাওবা কেসিনোনি। মসিদা চঙবদা পাসপোর্টনচিংবা চঙই। ইম্মিগ্রেসনদা চঙবদৌনা য়াম্না চেকশিন্না চঙহল্লি। মফম অসিদা টেবল গেমস ৭০০ অদুগা গেমিং অমদি ভিদিও পোকর মেছিন ২৫০০ লৈ হায়। ইমাকনুপানা শেল থাগেরা হায়দুনা মশীং অপিকপা অচৌবদা দোল্লর ৫০ থাখি অদুবু মাঙখি। ইমাকনুপানা অনী অহুল্লক থাবদা লোইনা ফাওদুনা নুমিৎতু শেল তোংলগা ঐখোয় হল্লকখি।

মথংগী নুমিৎ, জুলাই ২৯দা সেন্টোসা আইলেন্দদা চৎলগা 'য়ুনিভর্সেল ষ্টুদিও' য়েংলুই। হোলিৱুদতা লৈবা ষ্টুদিওদুগী চপ মান্নবা রেপলিকা অমা মফমসিদা শাবনি। ষ্টুদিও কমপ্লেক্সতু ফনা চাওই মদুদা লৈরিবা ৱা ঙাঙবা রোবোট, মীনা শাবা হৌদোংনা জগোয় শাবনচিংবা য়েংবা য়াবা ময়াম য়েংলকখি। মদুদগী থোরল্লগা রোপ বস অমদি টেক্সি তোংলগা হোটেলদা হল্লকখি।

মথংগী নুমিৎতা 'বিগ বস' তোংলগা সিঙ্গাপোরগী মরু ওইবা মফমশিং কোইখি। মথক তঙ্খাই অমা কূপ্পা বসকী মথক্তা ফল্লগা সিঙ্গাপোর মনুং কোইখি। ফমফমগী নাকলদা মখোয়না পীরকপা ইয়রফোন শম্মগা মফমশিংদু তাকপনি, কুমথরগা মফমশিংদু য়েংহনবদি নত্তে। বস টিকেট অমদা লুপা ২৮০০ লোমনি। বস অমগা অমুক তোংলগা সিঙ্গাপোরগী নাকল অমমুক কোইবা চৎকদবনি অদুবু ইয়াম্বগা ইতৈমগা মশা নুংঙাইরক্তদুনা বস তোংদনা হোটেলদা ওইনা হল্লকখি অদুগা মখোয় অনী থনম্মগা ঐখোয় অহুম অমুক কোইবা চৎখি। অহানবদা 'ক্লার্ক ক্বে' দা চৎখি। মসি সিঙ্গাপোর তুরেলগী অকোইবদা লৈবা অচৌবা মোল অমনি। মসিদা অপাম্বা পোৎ খুদিংমক ফংই। সিঙ্গাপোর তুরেলদগী হি তোংলগা মফম কয়ামুক কোইবা য়াই অদুবু হি তোংবদু নুংথিল পুং ১২দা লোইরমদুনা ঐখোয় তোংলকখিদে। মফমদুদগী টেক্সিনা "সিঙ্গাপোর ফ্লাইয়র" য়েংবা চৎখি অদুবু ওগষ্ট ৯দা সিঙ্গাপোর নেসনল দে পাঙথোক্কদবগী রিহার্সেলগী লম্বী থিংলমদুনা লাপ্না ফোটো ওইনা নল্লগা য়াম্না ৱানা হোটেলদা হল্লকখি। নুমিৎতুদা সিঙ্গাপোরগী পুলিস, আর্মি, লম্বী চিন্দুনা ট্রাফিক জাম থোকপা অহানবা ওইনা থেংনখি। মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১দা অয়ূক্কী চাক চারবা মতুংদা ঐখোয় মঙা টেক্সি অনীদা য়ুনিভর্সেল ষ্টুদিও কমপ্লেক্সতা অমুক হন্না চৎলগা "সি এক্কারিয়ম" য়েংলুই। য়াম্না পেনখি, অচৌ অচৌবা ঙাশিং শার্ক, দোলফিননচিংবা ময়ামদু গ্লাস মনুংদা অহিংবা ওইনা কোইচেন চেনবদু উবদা য়াম্না নুংঙাইখি। তশেংবদি এক্কারিয়মসি য়েংবগী ৱাখল লৈরমদবনি অদুবু ঐগী মরুপ রাজকুমার বুধিমন্তনা ফজ ফজবা ওসিনরিয়ম লৈবনি য়েংলকউ হায়রকপদগী য়েংলুবনি। মসিগীদমক মরুপ্পু থাগৎচরি। অদুগী মতুংদা বিদাদারি পার্ক দ্রাইভতা লৈবা ইনেগী মচা ডা. খাঙেম্বম সরত (এলাংবম লৈকায়)কী য়ূমদা চৎখি। মহাক মচানুপা অনীগা চহী খরগী মমাঙদগী সিঙ্গাপোরদা লৈরবনি। মচানুপা অহলদি চাইনিজ নুপী অমা লৌদুনা মচানুপা অমা লৈরে। লোয়ননা মাদি সিঙ্গাপোর সিটিজন ওইরবনি। লাপখ্রবা লমদম অদুদা ইনেগী মচা থেংনদুনা কুইনা উন্নদ্রবা মতুংদা উন্নদুনা হৌখ্রবা ৱারী কয়া শারকপা কয়াগী মতিক নুংঙাইখি। ঐখোয়গী খুথোংদা ঙা, য়েন অমদি সোইবুম ইরোনবা পীজরকপা কয়াগী মতিক হাওখিবা। চাক চাবা লোইরগা ইচানুপীগা ইমাকনুপাগা মখোয়গী লৈফমদা হনখ্রগা ঐখোয়না হোটেলদা হল্লকখি।



মেরিলিওন পার্কতা ইয়াম্বা অমদি ইতৈমগা লোইননা

মথংগী অয়ূক্তা ইচানুপী হোটেলদা লাক্তুনা চাক চামিন্নরবা মতুং নুমিদাংৱাইরম ঐখোয় মরি মখোয়গী লৈফম অপ্পর চংগী রোদতা চৎখি। ইমাকনুপানা ঐখোয় ঙাইরমখি। মদুদগী ঐখোয় এক্সপোদা চৎলগা নুংদাংগী চাক ইন্দিয়ান রেষ্টুরেন্ট অমদা চারগা হৈনচিংবা খরা লৈরগা হোটেলদা হল্লকখি।

মথংগী নুমিৎ ওগষ্ট ২দা ইতৈমগা ইচানুপীগা ঐখোয় অহুম মেরিনা বে দ চৎলগা কৈথেল কারুই। হল্লল্লগা কাদা চাক চারগা অহিং পুং ২.৩০দা সিঙ্গাপোর থাদোক্লবা শেম শাখি। অহিং পুং ২.৩০দা ইমাকনুপা লাক্তুনা এয়রপোর্টতা চৎখি। হল্লকপগী ইম্মিগ্রেসনদি ওটোমেটিক ঙাক্তা ওইখি। দিপার্টচরগী লোঞ্জদু য়াম্নদি চাওই অদুবু নানবদি খরা ৱাৎলি। অসুম্না সিঙ্গাপোর থাদোক্লমদুনা তাং ৩/৮/২২গী অয়ূক পুং ১১.২০দা ইম্ফালদা থুংখি।

সিঙ্গাপোরগী খোঙচৎতুদা ঐনা কল্লকপসি মখোয়গী লম্বীগী ফীভম, লুবা নানবা অমদি ট্রাফিক্কী কাঙলোন ইনবসিনি। পব্লিক প্লেস খুদিংমক টোইলেট ফজনা লৈ, লোইনা নাল্লি, সেন্সর পানবা ঙাক্তনি হায়বদি মপান থোক্লগা ঈশিং হৈথনবগী দরকার লৈতে। মখোয়দা লৈবা টোইলেটকী ষ্টেনর্দদসি মণিপুরগী এম এফ দি এসকী হোলদা লৈরিবসিনা হায়ফেৎ য়ৌগে তৌই, য়ৌবদি য়ৌদে।

লম্বীদা ঈশিং তুংদে, অমোৎপা উরক্তে, মীশিংসি ট্রাফিক্কী কাঙলোন ফজনা ঙাকই। গাড়ী অমত্তা চৎত্রবা ফাওবা খোঙনা লম্বী লানগদবা মীদু গ্রীন সিগনেল থান্দ্রিবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈ। ঐদি অহানবদদি গাড়ী লাক্তে হায়দুনা লাল্লুই অদুবু মতুংদদি ঐসু লানখিদে। গাড়ী ময়ামদু হোর্ন অমত্তা খোংনদে, মাগী মাগী টর্ন ঙাইদুনা লৈনৈ। ঐখোয়গীসিদদি ট্রাফিক লাইটসি য়াদবনা নম্মী, নুংদাং অথেংবা অমদি অয়ূক অঙনবদা শীজিন্নদে, মানা মানা থৌনীংবা, শমজিনবা ঙাক্তনি। ঐনা সিঙ্গাপোরদা ট্রাফিক রুলসি করম্না অসুক ফজনা ঙাক্লিবনো খনবদা মীশিংসি লাইরিক লাইশু হৈবা ঙাক্তা ওইবা, হায়বা ইনবা অদুগী মথক্তা ফাইনসি য়াম্না চাউবা খুদম ওইনা গাড়ী থৌনা থৌনা মোবাইল শীজিন্নবদা সিঙ্গাপোরদা দোল্লর ১০০০ (ইন্দিয়াগী লুপা ৫৫,০০০) নৎত্রগা থা ৬ জেলদা লৈবা নৎত্রগা অনীমক ওইবা য়াই, মরমশিংসিনা ওইরম্বা য়াই। ঐখোয়সিদসু ফাইনদি ময়াম অমা চেদা লৈ অদুবু লাল্লুবশিংদু ফাইন থিহনবগী মহুত্তা ফাইন লৌগদৌরিবা মীশিংদুগা খূৎ শোক্নরগা অদুম লোইরে অদুনা ট্রাফিক রুলসি ইন্নদবনি। মীগী ৱাখল তাবসি য়াম্না খেন্নৈ। ঐখোয়সিদদি অয়ূক্তা হুই লোয়বা ময়াম্না মাগী মাগী হুইদো পুথোক্নরক্কনি, শাজেল তৌহনবগা লোয়ননা লম্বীদা মখোঙ হামহন্নবা। সিঙ্গাপোরদদি হুইনা মখোঙ হামদোক্লম্বদু মপুদুনা প্লাষ্টিক খাওদা খুল্লগা হাপচিল্লগা পুখিনি। মসিনি চাওখৎপা মী হায়বদু। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মণিপুর সিঙ্গাপোর ওলহন্নি কাই হায়রগা মীয়াম্না পংহাউদা হরাওবিরুনু, চহী লিশীং কয়া চঙনা হোৎনরবসু মণিপুর সিঙ্গাপোর ওইবা ঙমখিরোই, মরমদি লমদমসিগী লুচিংবদগী চিংনা ঐখোয় খুদিংমক পুকচেল শেংদ্রি। ঐখোয় লোইনমক্না পুকচেল শেংলবা, হায়বা ইল্লবা মতমদা মণিপুর সিঙ্গাপোরগুম্না চাওখৎলকপা য়াই। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌরগনি...

*লামায় ১মগী মখা...*অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইরগদবা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ কুমজা ১৯৫৯দা পোকখিবনি। মহাক মে ১৩, ২০১৬তা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা এলাহাবাদ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরমখি।

দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা কেম্পস লো সেন্টরদগী এল এল বি পাস তৌখিবা জষ্টিস অসি য়ু এস এগী হার্বদ লো স্কুলদগী এল এল এম অমসুং ডোক্টরেট ফংলকখিবনি।

## পেন্সনরশিংদগী শেল চানবা হোৎনরম্বনি হায়বা ত্রেজরিগী ...

*লামায় ১মগী মখা...* সেক্রেটরিএটতা লৈবা পব্লিক গ্রিভান্স রিদ্রেসেল এন্দ এন্টি করপসন সেলগী সেক্রেটরিদা কমপ্লেন্ট তৌরকখিবগী মতুংইন্না লৌখৎপনি হায়রি।

কমপ্লেন্ট অদু এন্টি করপসন সেলগী মায়কৈদগী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন, মণিপুরগী এস পিদা থাদরল্লবা মতুংদা এস পিনা কমপ্লেন্ট অদুগা মরী লৈননা ইনক্কারি চথুরবা মতুংদা কেস অসি ঙসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা শেল চানবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই অনীসি ফাগৎখিবনি হায়রি। ফাগৎলবা মীওই অনীসিনা পেন্সনরশিংগী ফংফম থোকপা দ্যু লৈবা থাগী পেন্সনগী শেনফমশিং ফংহন্নবগীদমক শেল পীননবা দিমান্দ তৌরম্বনি হায়রি।

## মঙ্কা ময়াংলম্বমনা শক্কদবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী...

*লামায় ১মগী মখা...* সুরমনি রিশিনি।

ঙসি ওফিসল ওইনা থিম সোং অসিবু লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা শৈশকপী অসিগী অপোকপী ময়াংলম্বম ওংবী রেবিকা লৈমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন করাম শ্যাম, টুরিজমগী কম্মিস্নির পি কে ঝা অমসুং দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলসু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী থিম সোং লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা কুম্মৈ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং খুনৌদা শাগৎলিবা সঙাই এথনিক পার্ককী ফীভমসু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অসিদা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম এস পি দি সী এলগী চ্যেরমেন তোংব্রম রোবিন্দ্রো, এল দি এগী চ্যেরমেন এম অশ্বনিকুমার, মোইরাংগী এম এল এ থোঙাম শান্তি, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর সী দোঙেল অমসুং টুরিজমগী কম্মিস্নর পি কে ঝা য়াওখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী দিভেলপমেন্ট ৱার্কশিং পায়খৎলক্লিবসি ইনকম লাকহনবদা নত্তনা মণিপুরগী নহারোলশিংদা থবক পীনবনি হায়খি। সঙাই এথনিক পার্ক অসিসু মসিগীদমক য়েংলদুনা শেমগৎলকপনি। চহী খুদিংগী ওইনা ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম শেম্নবা হোৎনবদা শেল য়াম্না থাদৈ অদুবু হন্দক শেল্লিবা অসিদি মথংদা অমুক হন্না শেমদনবা পর্মিনেন্ট ষ্ট্রকচর অমা ওইনা ইনভেষ্ট তৌখ্রবনি হায়খি।

লোয়ননা লম কোয়বা লাকপশিংবু মতেং পাংনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টুরিষ্ট পুলিস শেমগৎনবা থবক পায়খৎলে। টুরিষ্ট পুলিসশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী এস পিশিংদা এটেচ তৌদুনা থমগনি। মখোয়দা থা ২ নৎত্রগা ৩গী বেসিক ট্রেনিং পীগনি অদুগা তোঙানবা য়ুনিফোর্ম শেৎহনবগা লোয়ননা টুরিষ্ট পুলিস পর্সনেলশিংদদি খূৎলায় শীজিন্নরোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়না মণিপুরদা লাকপা টুরিষ্টশিংবু মতেং পাংগনি হায়খি।

হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলদা ফেমিনা ইন্দিয়া, জি-২০সু শরুক য়াগদৌরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক মণিপুর অসি অহোংবা য়াম্না লাক্লবনি। লোক্তাক্তা নাইট হোম ষ্টে লৈরম্বশিং অদু হন্দক লৈঙাক্না লৌথোক্লিবসি লোক্তাক পাৎকী ঈশিং মোৎশিল্লকপদগীনি। লৈঙাক্না টুরিষ্টশিংগী খুদোং চানবা য়াম্না হায়জনিক ওইবা মওংদা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবকশিং মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়রদুনা হান্না লৈরম্বা নাইট ষ্টে হোম খরা তঙাইফদনা য়াম্না হায়জনিক ওইবা মওংদা শেমগৎনবসু হোৎনরি হায়খি।

খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ক্বাক্তাদা পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবকসু চীফ মিনিষ্টরনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সঙাইথেলদা শেমগৎলিবা মণিপুর ওলিম্পিয়ন পার্ককী ফীভমসু মহাক্না য়েংশিনখি। চীফ মিনিষ্টরনা ওলিম্পিয়ন পার্ক য়েংশিনবদনা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম এল এ, এস রাজেন, য়াসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এস এস ছব্রা, দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনচিংবা ওফিসলশিং শরুক য়াখি।

## লৌমীশিংদা পীবা রিলিফকী তেংবাঙ ...

*লামায় ১মগী মখা...* করম্বা থারগা কুপখৎপা ঙমগদগে হায়দুনা কন্না হোৎনবা মতম ওইরে। লোয়ননা নিংথম মহৈ মরোং থারবসু তঙাইফদনা চঙবা ঈশিংনা কদাইদগী মতৌ করম্না লৌগদগে হায়বসিসু অচৌবা থবক অমা ওইরি।

তাল্লকসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌমীশিংগী মনুংদা লৌ লোকপা ঙমহৌদ্রবশিং খন্দোক্লগা রিলিফকী তেংবাঙশিং পীগনি হায়রকপগী ৱাফম ওফিসল ওইনা লাউথোরকপা লৈত্রগসু হান্নদগী লৈরকপা রিলিফকী শেল পীফম থোকপা অমদি পীদুনা লাকপশিংবু থৌওইনা শিনফম অমা ওইনা মসিগুম্বা খুদোংচাবশিং অসিবু তান্নবা অমসুং ফংবা মীওই খরনা হন্দক্কী ফৌ শাৎহৌদ্রবা লৌমীশিংগী মহুৎ শিন্দুনা মখোয় মশাদা খঙহল্লমদনা লৌবুকশিংগী ফোটোগ্রাফনচিংবা লৌরগা মরী লৈনবা পাট্টাসু শেমজিন শাজিন্দুনা শেল লৌথোক্লবা হোৎনরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মখুত্তা লৌমীশিংদা লৈঙাক্না পীগদবা তেংবাং শেলগী ৱাফম লৈরম্লগাসু পীবিগনু হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। পীবা তারবসু অশেংবা লৌ উরিবা লৌমীশিংগী মনুংদগী ফৌ শাৎহৌদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা অশেংবা লৌমীশিং খক্তবু খন্দোক্লগা পীবিয়ু। মসিগীদমক রেভ্ন্যু লোয়শঙনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংগা খূৎশম্নবগা লোয়ননা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদগীসু চপ চাবা রিপোর্ট খোমগৎপীয়ু। অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অনৌবা স্কিম অমগী মখাদা পীননবা থৌরাং তৌদ্রিবা ওইরগসু হান্নদগীসু পীদুনা লাকপশিং লৈরম্লগাসু লৌমীশিংগী মীংদা শেন্দান লম্বী ওইনা রিলিফ তান্নবা মীওইশিংবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মশক খঙদোক্লগা মখোয়গী মখূত্তদি শিন্নবীগনু হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অমসুং রেভ্ন্যু মিনিষ্টরনা কোক চুংশিন্নবীদুনা অচুম্বা-অশেংবা তেংবাঙ পীবগী থবক থৌরমশিং লৌখৎহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরক্লি।

## প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরম্বা য়াম্বেম নিংথেমগী লুপা ক্রোর ৩.১২...

*লামায় ১মগী মখা...*চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) তা চথুখিবনি হায়বা য়াল্লবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা দিরেক্টোরেট অসিনা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ), ২০০২গী মখাদা চথুরকখিবা কেসকী ইনভেষ্টিগেসন মনুং চন্না ৱাই নিংথেমগী লন থুমশিং অসি ফাজিনখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বগী মতুংইন্না এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা চথুরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি সেপ্টেম্বর ১, ২০১৭তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা তোঙান তোঙানবা আই পি সী সেক্সনশিং অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন ১৩ (২) গী মখাদা লুপা ক্রোর ১৬৯ লোম লান্না শীজিন্নথোকখি হায়বগী চার্জদা এম দি এসকী ওফিসলশিং অমসুং অতোপ্পা মীওই খরগী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা চথুরকপনি হায়রি।

মতাংসিদা পলহৌবা য়ারিবনা কেস অদু সেপ্টেম্বর ১, ২০১৭কী নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ২৪৪ (৯) ২০১৭নি। কেস অসি আই পি সী সেক্সন ৪২০, ৪০৬, ১২০-বি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন ১৩ (২) গী মখাদা লৌখৎখিবনি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টনা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (প্লান্নিং) ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রোনি। অদুগা কেস অদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না য়াল্লবা শেনফম অসি এম দি এসকী ওফিসলশিংনা জুন ৩০, ২০০৯দগী হৌরল্লগা জুলাই ৬, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা লান্না শীজিন্নথোকখিবনি হায়বসিনি।

আই পি এসনা লৌখৎখিবা অহানবা কেস অদুদা এক্ক্যুজশিং ওইনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিংনা এম দি এসকী হান্নগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ৱাই নিংথেম, সোসাইটি অসিগী চ্যেরমেনশিং ওইরমখিবা মতম অদুগী চীফ সেক্রেটরি দি এস পুনিয়া, মতম অদুদা সোসাইটি অসিগী চ্যেরমেনগী থবকসু পুরমখিবা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, মতম অদুগী চীফ সেক্রেটরিশিং ওইবগা লোয়ননা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরমখিবা পি সী লমকুংঙা, ও নবকিশ্বর অমসুং এম দি এসকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর এস রঞ্জিৎনি। পুলিসনা অহানবা ওইনা লৌখৎখিবা কেস অদুদা অপূনবা এক্ক্যুজ তরুক অসিগী মথক্তা চার্জ তৌখিবনা চিটিং, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি, ব্রিচ ওফ ট্রষ্ট অমসুং ক্রিমিনেল কন্সপিরেসিনি।

লোয়ননা এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরম্বা ৱাই নিংথেমদগী লুপা ক্রোর ৩.১২ রোমগী ইম্মুভেল অমসুং মুভেবল প্রোপর্টিশিং ফাজিল্লে হায়রিবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ঙরাং থোরকখিবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না য়াল্লবা শেনফম অসি ৱাই নিংথেমনা অতোপ্পা মীওইশিং অসিগা লৌতুনরগা এম দি এসকী একাউন্টদগী লান্না শীজিন্নখিবা অমসুং অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা ফার্মশিংগী একাউন্টশিংদা ট্রান্সফরনচিংবা তৌথোকখিবনি হায়রি।

এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কেস অসিগা মরী লৈননা চথুরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না মমাঙথক্তসু লুপা ক্রোর ৩.০৪ রোমগী ওইগদবা ইম্মুভেবল প্রোপর্টি তরুক ফাজিনখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লৈরম্বা লুপা ৮,২০,০০০গী শেনফমসু ফাজিন্দুনা থল্লে হায়রি। ঈ দিনা নবেম্বর ২৫, ২০২১দা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট ১১ ফ্রিজ তৌশিন্দুনা থমখিবা অসিদা য়াওরিবা শেনফমশিংনা লুপা ৪১,৫৩,৪৮৯নি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মখা তানা পনবা য়ারিবনা পুলিসনা অহানবা লৌখৎপা কেস অসিদা এক্ক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী এন্টিসিপেটরি বেলনচিংবা লৌদুনা লাকখিবনি। এম দি এসকী চ্যেরমেনগী ফমসু পুরমখিবা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী (৭৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও অঙৌবা, থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায়সু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কেস অসি লৌখৎলকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এন্টিসিপেটরি বেল (নম্বর ৪৫ ওফ ২০২১) পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

লোয়ননা নবেম্বর ৩০, ২০২১দা চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমারনা পীখিবা ওর্দর অমদা ওক্রম ইবোবীবু লুপা লাখ ১গী পর্সনেল বোন্দ অমসুং সিয়ুরিটি অনীগদা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিবনি।



HL-B/7878/20/10-19/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।